ইম্রান খাননা পাকিস্তানগী পি এম ওইরকপদা থাগৎখ্রে অফবা য়ুম্লোন্নবা ওইবগী মরী থম্নবা লেপ্লি : মোদি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী):

ক্রিকেট শান্নরোয় অমা ওইরম্বদগী পোলিটিক্সতা চঙলক্তুনা পাকিস্তানগী ২২ শুবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ইম্রান খান ৱাশক লৌখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অইবা চেরোল অমনা লুচিংবা অদুদা থাখ্রে।

চেরোল অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, ঐখোয় অফবা য়ুম্লোন্নবা ওইবগী মরী থম্নবা লেপ্লি। শেমগৎ-শাগৎপা অমসুং ৱাহন্থোক লৈবা য়ানবা অমগী মায়োক্তা মীৎয়েং থমগদবনি হায়খি।

চেরোল অদুদা মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, সাউথ এসিয়া লমদমদা টেররগী অকিবা লৈহন্দনবা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। য়ুম্লোন্নবা অমা ওইনা অফবা মরী লৈননবগীদমক ইন্দিয়ানা লেপ্লি হায়খি। মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা পাকিস্তান জেনরেল এসেমব্লীগী মীখলদা ইম্রান খাননা মায় পাক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপদা মহাক্কা ফম মান্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা টেলিফোন তৌদুনা ৱারী শানখি। তংদু লৈতাবা অমসুং চাউখৎপা লমদমা অমা ওইহন্নবগীদমক অশানবা মীৎয়েং থন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি। ইম্রান খাননসু ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা তং-তাবা মরী থম্নবা পাম্মী হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়ানা লম অসিদা খোঙথাং অমা থাংজিল্লকপদা পাকিস্তান্না খোঙথাং অনী থাংজিনগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি হায়রি। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অটল বিহারী বাজপায়ী লৈখিদবগা মরী লৈননা ইম্রান খাননা হায়, লৈবাক অনীমক্কা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) বু মকোক থোংবা লুচিংবা অদুবু ঈকায় খুম্নফম থোকই। মহাক লৈবাক অনীগী মরক্তা তংদুলৈতাবা ফীভম অমা থম্ননবা হোৎনরম্বা লুচিংবা অমনি হায়রি।

পাকিস্তানগী হান্নগী ক্রিকেট শান্নরোয় অমসুং পোলিটিক্সতা খোঙদারকখ্রবা লুচিংবা অদু ৱাশক লৌবগী থৌরমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অহুম ইনভাইট তৌরকখি। মখোয়শিং অদুদি নভজোট সিংহ সিধু, সুনিল গভাস্কর অমসুং কাপিল দেবনি হায়রি। মীওই অহুম অদু পাকিস্তানগী ২২ শুবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌবগী থৌরমদা য়াওবীননবা ইনভাইট তৌরকখিবনি।

নাকল অমরোমদা, নভজোট সিংহ সিধুনা ৱাশক লৌবগী থৌরম য়াওখিবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখিবসু লেখ্রে। মমাঙ থা খরদা লান্মীগী মেজর অমা অমসুং লান্মী অনী শিখিবা লেখ্রে। নুমীৎ খুদিংগী মীওই কয়া নোংমৈনা কাপ্লম্বগী থৌদোকশিংসু থোক্লি। ঐখোয়গী লান্মীশিং হাৎলিবা ফীভমশিং অদু মুন্না খঙই হায়নসু নভজোট সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা পাকিস্তান অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অফবা ওইখিদে। মদুদা নত্তনা নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শানবগী থৌওং চথদবা মতম শাংলে। কুমজা ২০১৬ দা পাকিস্তানগী ঙমখে লানশিন্না সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথখিবসু লৈখ্রবনি। পাকিস্তান্না খুদুম চনবা কাশ্মিরগী শরুক্তা লৈবা টেররিষ্টশিংগী বেজদা অতম্ননা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক অদু চথখিবনি। মদুদা নত্তনা হৌজিক ইনি দয়াগী স্পাইনি হায়না কুলভুষন যাদব পাকিস্তান কোর্টনা শিবগী চৈরাক লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি। কেস অদুগী মতাংদা ইন্টরনেসনল কোর্টতা ৱাকৎখিবা মতুং কেস অদু হৌজিক ট্রাইয়েল চথদুনা লৈরিবনি। লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা মরী থম্নবগী তঙাইফদবসু লৈরি হায়রি।

রাজিব গান্ধীগী মপোক কুমওন থৌরমদা রাহুল, প্রিয়াঙ্কা, সোনিয়ানা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী):

কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী, প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রা অমসুং য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এল্লাইয়েন্সকী চ্যেরপার্সন সোনিয়া গান্ধীনা ঙসি হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রাজিব গান্ধীগী মপোক কুমওন থৌরমদা লৈ কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

লৈবাক অসিগী কোনুংদা লৈবা রাজিব গান্ধীগী খুভম বিরভুমিদা চৎতুনা ঙসি ঈকায় খুম্নবগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা ঙসি ত্বিটরদা রাজিব গান্ধী নীংশিংলদুনা ফোঙদোরকখিবদা, মহাক থৌজাল হৈবা অমসুং মীনুংশি চাউবা মীওইনি। মহাক্কী অপোকপা লৈখিদবা অদুনা পুন্সিদা অচৌবা অৱাৎপা অমা লৈহল্লে হায়খি।

মপোক নুমীৎ থৌরম কয়াদা মখোয় পুন্না শরুক য়ামিন্নখিবা মীকুপশিং অদু নীংশিংলদুনা হায়, ঙসি নুমীৎ অসিমক পাঙথোকপা ঙল্লিবা অসি লাইবক ফবা অমনি। মখোয়গী থম্মোয়দা হান্নগী লুচিংবা অদু হিংলি হায়বগী ৱাখল ফাওহল্লি। মহাক মাঙখিবা অদু অচৌবা মাঙজবা অমনি। অদুম ওইনমক পুক্নিংদদি অহিংবগুম ফাওহল্লি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু রাজিব গান্ধীগী মপোক কুমওন লাকপদা লুচিংবা অদুবু নীংশিংলি। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রাজিব গান্ধীগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎলি। মহাক্লা লৈবাক অসিগীদমক লৌরম্বা থৌদাং অদু ঙসিসু নীংশিংলি।

রাজিব গান্ধীগী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা কোংগ্রেস পার্টিনা অমেথিদা প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখি। হায়রিবা মফম অদু রাজিব গান্ধীগী কনষ্টিট্যুএন্সি ওইরমখিবনি। হৌজিক্লা মহাক্কী মচানুপা অমসুং কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগী কনষ্টিট্যুএন্সি ওইরিবনি। অমেথি দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট জোগেন্দ্র অমসুং চন্দ্রকান্ত দুবেনা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা থৌরম কয়া শিনখি হায়রি।

ভাসুন্ধরা রাজেগী গৌরভ যাত্রা তোক্লনবা কোংগ্রেসনা দিমান্দ তৌখ্রে

জয়পুর, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী):

চীফ মিনিষ্টর ভাসুন্ধরা রাজেনা হৌজিক হৌজিক ষ্টেট শিনবা থুংনা চথরিবা গৌরভ যাত্রা খুদক্তগী তোক্লনবা রাজস্থান কোংগ্রেসনা দিমান্দ তৌখ্রে। ভাসুন্ধরা রাজেনা লৈঙাক্কী মেছিন্নরিশিং লান্না শীজিন্নরে হায়নসু মরাল শিখ্রে।

রাজস্থান প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সচিন পাইলোটনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, হায় কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অমগী মতুংইন্না লৈঙাক্লা মেছিন্নরিশিং লান্না শীজিন্নবা য়াদে হায়বা লৈ। মদুগী মহুৎ ভাসুন্ধরা রাজেনা লৈঙাক্কী মেছিন্নরিশিং লান্না শীজিন্নরি। পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা যাত্রা অদু শিননবগীদমক টেন্দর কৌখিবসু লৈখ্রে হায়না মরাল শিরক্লি।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, চথরিবা থৌওং অদু জুদিসিয়রিবু ঈকায়বা পীবনি। লৈঙাক্কী মেছিন্নরিশিং লান্না শীজিন্নদুনা হৌজিক পাঙথোক্লিবা যাত্রা অদুগী মায়োক্তা শিংনদুনা রাজস্থান হায় কোর্টতা পি আই এল অমা থাঙ্গৎখ্রে। পি দব্লিয়ু দি ওফিসলশিংনা ওগষ্ট ১৮ দা যাত্রা অদু শিন্ননবগীদমক টেন্দর তৌননবা কৌখি। মদু কোর্টকী ওবজার্ভেসন থুগায়বনি। ষ্টেট লৈঙাক্লা টেক্স পীরক্লিবশিং ঈকায় খুম্নদ্রে। মীওই কয়ানা টেক্স পীরকপনা লৈঙাক্কী শেনফম ওইহল্লিবনি হায়খি।

নুপীমচা ১না সাইকল লৈননবা তুংশিঞ্জবা শেনফম দোনেট তৌখ্রে

ভিল্লুপুরম, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী):

তামিল নাদুগী চহী ৯ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমনা সাইকল অমা লৈননবগীদমক চহী ৪ চুপ্পা তুংশিঞ্জরকপা শেনফম কেরলাগী ঈচাউগী অৱাবা নংলবা মীওইশিংগীদমক তেংবাং ওইনা পীখ্রে।

তামিল নাদুগী ভিল্লুপুরমদা লৈবা অনুপ্রিয়া কৌবী নুপীমচা অদুনা মহাক্লা তুংশিঞ্জবা লুপা লিশিং ৯ তেংবাংগীদমক পীখ্রে। নুপীমচা অদুনা হায়, শেনফম অদু মহাক্লা সাইকল অমা লৈননবগীদমক তুংশিনবনি। অদুম ওইনমক হন্দক কেরলাদা থোক্লিবা ঈচাউগী শক্তমশিং টেলিভিজন্দা উখি। ফীভম অদু য়েংলগা মহাক্লা শেনফম অদু দোনেট তৌননবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি।

নুপীমচা অদুনা থৌনা ফনা লুপা লিশিং ৯ গী শেনফম পীথোকপা ঙমখিবা অদু থাগৎপা ফোঙদোকপা ওইনা সাইকল শাবা কম্পেনি অমনা নুপীমচা অদুদা মহাক্কী সাইকল লৈবগী মঙলান অদু মঙফাওননবা সাইকল অমা পীরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। মদুদা নত্তনা নুপীমচা অদুদা চহী খুদিংগী অনৌবা বাইক অমমম ফংহল্লগনি হায়খি।

হিরো সাইকলগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবদা, নুংশিরবী অনুপ্রিয়া নহাক্লা মীওইবশিংবু মতেং পাংননবা লৌরিবা থৌদাং অদু ঐখোয়না থাগৎলি। পুংজা অসিদা মীওইবগী মীনুংশি হায়বা অদু মথৌ তাই। হিরো সাইকলগী মায়কৈদগী অনৌবা সাইকল অমা নঙোন্দা পীরগনি হায়খি।

হি মোটোরস কম্পেনিগী চ্যেরমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্ট পঙ্কজ এম মুনজালনা অনুপ্রিয়াবু থাগৎলদুনা হায়, অনুপ্রিয়ানা লৌরক্লিবা খোঙথাং অদু অসুক্কী মতিক মমল য়াম্মী। মহাক পুকচেল চাউবা মীওইনি। অসিগুম্বা অফবা পাউজেল অসি মহাক্লা মখা তানা শনে দারকখিগনি। মহাক্কী থৌনা অদুবু অপেনবা পোকপগা লোয়ননা মহাক্কী পুন্সিনা লৈরিবমখৈ চহী খুদিংগী সাইকল অমমম পীরগনি হায়খি। মহাকপু অসুক্কী মতিক নুংশিবা ফাওই। লোয়ননা মহাক্কী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরি। লোয়ননা কেরলাগী মীয়ামগীদমক ঈশ্বরদা থৌনিরি হায়রি।

জাবির মোটি দি কম্পেনিগী ফাইনান্সতা মরুওইবা মীশকনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী):

অন্দর ৱর্ল্ড দোন দাউদ ইব্রাহিমগা খ্বাইদগী নক্লবা জাবির মোটি লন্দনদা ফারে। মহাক দি কম্পেনি হায়না খঙনবা দাউদ ইব্রাহিমগী গেং খুৎপু অদুগী শেল-থুমগা অচৌবা মরী লৈনবা মীওইনি। য়ুনাইটেদ কিংদম, য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেট অমসুং অতোপ্পা লৈবাক কয়াদা শেল থাদবগী থৌশিলশিং জাবির মোটিনা পাঙথোকপনি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না দাউদ ইব্রাহিমগী মনাওনুপা ইকবাল কস্কর ৱাহং পাউহং চথবদা হায়দোরকপদগী জাবির মোটি ফাবা ঙমখিবনি। থানে পুলিস অমসুং ইন্টিল্লিজেন্স ব্যুরোনা ইকবাল কস্করবু অকনবা মওংদা ৱাহং পাউহং চথখি। মদুদা জাবির সিধিকি এলিয়স জাবির মোটিগী মরী-মখোঙ খঙবা ঙম্লকখিবনি হায়রি।

জাবির মোটিদা নত্তনা অতোপ্পা দাউদ ইব্রাহিমগা খ্বাইদগী নক্লবা ফরুক টক্লাগী মতাংদসু অরোনবা কয়া খঙবা ঙম্লে হায়রি। ইন্দিয়ন এজেন্সীশিংনা ফরুকপু হন্দক্তা দুবাইদগী পুরকখিবনি। ইকবালনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম কয়াদগী থিজিন-হুমজিনবা কাঙবুশিংনা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেরসকা লোয়ননা য়ুনাইটেদ কিংদম ওথোরিটিগা পাউ ফাওনখি। য়ুনাইটেদ কিংদমগী ওথোরিটিনা ইন্দিয়ানা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অদু কদায় ফাওবা চুম্লবগে হায়বা খঙদোক্লবগীদমক জাবির মোটিগী মথক্তা মতম শাংনা য়েংশিন্দুনা লাকখিবনি হায়রি।

এন্টি টেঙ্ক, এস এ এ দব্লিয়ু মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী):

লৈবাক অসিনা মরোমদোম শেমগৎচবা এন্টি টেঙ্ক গাইদেট মিসাইল-হেলিনা অমসুং গাইদেট বোম স্মার্ট এন্টি এয়রফিল্ড ৱিপন (এস এ এ দব্লিয়ু) মায় পাক্লা রাজস্থানগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চাংয়েং তৌখ্রে। এস এ এ দব্লিয়ু হায়না মিংথোনবা খুৎলায় অদু ঙরাং চন্দন রেঞ্জদা চাংয়েং তৌখি। খুৎলায় অদুনা য়েক্লবগী টার্গেট অমবু মপুং ফানা মাঙহন-তাকহনবা ঙম্মী। টেলিমিট্রি অমসুং ট্রেক্কিং সিষ্টেম শীজিন্নদুনা চাংয়েং অদু মপুং ফানা য়েংশিনখি। খুৎলায় অদুনা লৈমায়দা লৈবা টার্গেট অমবু মাঙহন-তাকহনবা ঙম্বগী চপ চাবা মগুন লৈ। অদুগা এন্টি টেঙ্ক গাইদেট মিসাইল-হেলিনানা পোখ্রানদগী মায় পাক্লা চাংয়েং পাঙথোকখি। লান্মীগী হেলিকোপ্টর অমদগী চাংয়েং অদু পাঙথোকখিবনি।

ওন্নখিবা

পাউচে অসিগী ওগষ্ট ২০ গী লমায় ৮ দা ফোঙখিবা *লৈবাক্কী ফিরাল ঈকায় খুম্নদবা অসামগী মিসন্নরি স্কুল অমগী প্রিন্সিপাল ফারে* হায়বা পাউদা ফোটো ওন্নখিবগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। *এদিটর*

তঙাইফদ্রিবদি কেরলা অমুক হন্না শেমগৎপনি চীঞ্জাক অমসুং ফিরোল নত্তে : কে জে অলফোন

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী):

কেরলাদা হৌজিক থোক্লিবা ঈচাউ অসিনা মীওই চা কয়াগী পুন্সি মাঙহনখ্রে অদুগা মীওই লাখ কয়ানা ময়ুম-মকৈ লৈহন্দ্রে। মী কনবা কাঙবুনা চোকথবা লৈতনা মীওই কয়া কন্ননবা থবক পায়খৎলি। লোয়ননা কেরলাগী মীপুম খুদিংমক্তা চানবা চীঞ্জাক, থক্লবা ঈশিং অমসুং হিদাক-লাংথকশিং ফংহন্নবা হোৎনরি।

মালেমগী মফম কয়াদগীসু তেংবাং পীনরক্লি। হৌজিক কেরলাদা খ্বাইদগী তঙাইফদবা অমা ওইরিবদি, নৌনা শেমগৎ-শাগৎপা হায়বদুনি। চীঞ্জাক নৎত্রগা ফিরোলশিং নত্তে। ষ্টেট অদুগী ওইনা হৌজিক চানবা চীঞ্জাক অমসুং ফিরোল মরাং কায়না লৈরে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কে জে অলফোননা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অদু অমুক হন্না শেমগৎনবগীদমক টেক্নিকেল ওইবা মতেং মথৌ তারে। কুমগী নোংনা থোকহনবা ঈচাউ অদুনা লৈবাক অসিগী খা থংবা ষ্টেট অদুদা মীওই ৩০০ হেন্না শিহনখ্রে। অদুগা মাঙহন-তাকহল্লিবা অদুগী চাং অদুনা লুপা ক্রোর ২০,০০০ রোম ওইগনি। হৌখিবা চয়োল অনীদা লমদম অদুদা অকনবা নোং লেপ্তুনা চুরকপনা মরম ওইরগা শাথিবা ঈচাউ নংহল্লে। কুমজা ১৯২৪ দা থোকখিবা শাথিবা ঈচাউ অদুগী মথংদা হন্দক থোক্লিবা অসিনা খ্বাইদগী চাউবা অমসুং মীশি-মীনা, লন-থুম মাঙহনবা ঈচাউ ওইরে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ষ্টেট অদুদা চৎতুনা ওইরিবা ফীভম অদু য়েংশিনখ্রবনি। লোয়ননা ষ্টেট অদুবু অমুক হন্না শেমগৎ-শাগৎপদা পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়নসু খঙহনখ্রে। খুদক্কী ওইনা লুপা ক্রোর ৫০০ গী শেনফমসু পীরগনি লাউথোকখ্রবনি হায়রি।

ꯕꯝꯄꯔ ꯁ꯭ꯇꯣꯛ ꯀ꯭ꯂꯤꯌꯔꯦꯟꯁ

BUMPER STOCK CLEARANCE SALE

1. OLD WHITE SHIRTS HALF & FULL (ALL SIZES) – ₹150 only
2. CHILDRENS ITEMS:- JEAN HALF PANT TOPS, SHIRTS LONG PANTS, FROCKS, MISC. MIX VARIETY – ₹150 only
3. GENTS SHIRTS FULL & HALF (STAINED & IND QUALITY) – ₹150 only
4. GENTS KURTA HALF & FULL (STAINED & IND QUALITY) – ₹150 only
5. GENTS TROUSERS MIX. VARIETY (WAIST 28 & 30 ONLY) – ₹200 only
6. UNIFORM PENNAFROCK'S & TROUSERS (OLD STOCK CLEARANCE) – ₹150 only
7. CHILDREN SOCKS MIX. SIZE & COL. (OLD STOCK CLEARANCE) – ₹10 only

"OFFER VALID TILL THE STOCK LAST"
HURRY ! SELECT THE BEST ONE FIRST

VENUE :- BRIGHTWAYS
1ST FLOOR, OPP. PUNJAB & SIND BANK
DHARAMSHALA ROAD, IMPHAL-1
HL-B/4799/19/8-16/10(Alt)

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/দশা য়েংজরি



মখাগী হিরমশিং অসিদা কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়েংজরি লোয়ননা ফনবা তানবিয়ু। অঙাংগী মহৈ-মশিং, দশা-লাংফম, পক্লবা থবক, লাইরিক পানিংদবা, ঙাংনবা ঙমদবা, নিশাদা লাইচুবা, মোবাইলদা উংবা, শুফম-নোমফম খঙদবা, দাউ য়াদবা, শেল তুঙদবা, চানবা করবার, পক্লবা লক্কিষ্টোন, প্রমোসন, ভোট লেপ্পা, লমগী কেশ থেংনবা, য়ুম-ইশ্বোল, গাড়ী, য়ুম্বাল মহী লাংবা, লুহোংবা থিন্থবা, অঙাং ওইবা ঙমদবা, মীনা কল্লক-য়েংথিবা, হকচাং অনাবনা য়েৎপা, পোৎশেম-যাদু লৈবা, ঙাওরি-ফৈরি তৌবা অসিনচিংবা। মতম অয়ুক পুং ৭ তগী ১২.৩০ ফাওবা লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

মীয়ামগী: জ্যোতিষ মহাঋষি
JM Dr Ph. Rajendra
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai,
Academy Road, Imphal

HL-P/5205/10/8-9/9

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR

Ref:- Mut. Case No. 384/SDC/Bishnupur, 2018

1. Shamurailatpam Munindro Sharma S/o (L) Gopal Sharma.
2. –do– Jayadev Sharma S/o Gaya Sharma all of Bishnupur Ward No. 4.

-Petitioners

-Vrs-

Shamurailatpam Gopal Sharma S/o (L) Ibungomacha Sharma of Bishnupur Awang.

-O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Bishnupur, the 18th Aug. 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Shamurailatpam Gopal Sharma S/o Late Ibungomacha Sharma of Bishnupur Awang দা লৈবগী মীংদা পানবা পাট্টা নং 37/359, 582 (A) (অরিবা)। 518 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নম্বর 1439 গী 0.13 চাওবা ইশ্বোল অসি পট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরশিংগী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কেস মখা চৎথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Bishnupur

HL-P/2001/21

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 682/SDC/IW(P) of 2018

Sagolshem Kulla Mangang S/o (L) S. Babu Mangang of Vengnuom, Churachandpur.

-Petitioner

-Vrs-

1. (L) Sagolshem Pishak Singh S/o (L) Gokulchand Singh of Sangaiprou.
2. Late Sagolsehm Babu Meetei S/o (L) S. Gokulchand Singh of Sangaiprou.

-Deceased Pattadars

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

20/08/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুৎথাংদা খঙহঞ্জরি। ই: ও: পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর ৮৪-শঙাইপ্রৌগী পাট্টা নম্বর ৩২৮ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১১৫/৪৩৬ কী এরিয়া ০.০৬০০০ একর চাওবা ইশ্বোল অসিগী পাট্টাদার নং (২) অসি মৃত ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি মচানুপা অসিনা স্বর্গগী অমদি দখলগী মতুংইন্না মৃ: পাট্টাদার মপাগী ফংফম থোকপা দাগকী মনুংদগী ০.০৩ একর মখা থংবদা ওইবা অসি নমা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট্টা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২৯/০৮/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবিদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হৌনবী হুকুম চৎথরগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/2007/21

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 683/SDC/IW(P) of 2018

Keithellakpam Chaobi Devi W/o (L) Bokul Singh of Sagolband Lukram Leirak.

-Petitioner

-Vrs-

Late Shri Keithellakpam Bokul Singh S/o (L) Amu Singh of Sagolband Lukram Leirak.

-O.P. Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

20th August, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৮৩-লমজাওতোংবগী পাট্টা নম্বর ২৩৬ (অরিবা), ৫১ (অনৌবা), দাগ নম্বর ৫৩৮ গী পোইন্ট ০.৫৪ একর চাওবা ইশ্বোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৯/০৮/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/2007/21

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL

Ref:- Mut. Case No. 859/AS&SO/TBL ***Dated : 18/08/2018***

Md. Sayed Ahamad S/o (L) Md. Giyasuddin of Lilong Haoreibi Makha Leikai.

-Petitioner

-Vrs-

Late Md. Mani Khan S/o (L) Haji Nijamuddin of Haoreibi Makha Leikai.

-O.P.Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Dt. 18/08/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি- ভিলেজ নম্বর ১৪-ওইনামগী পাট্টা নং ১০৪ (অরিবা), পাট্টা নং ৬৯৫ (অনৌবা) দাগ নং ১০৯৯ এরিয়া ০.৮৫ একর চাওবা তাওথবী ক্লাস হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমীংদা লৌফম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিদা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা কোর্ট অসিদা পীশিল্লক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেশ মখা চথ্খ্রগনি।

Sd/- **M. Ningthembi Singh**
Asstt. Survey and Settlement Officer
Thoubal, Manipur

HL-P/5256/21



ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অমাঙথোংগী অকোইবদা মতুম মচা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বদা পোমথোকপা অদুদা থেংলগা ঈ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইরগা হকচাং চোকথ-ৱান্থবা, থবক শুবা ঙমদবা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা নুংশঙনা নাদুনা অমাঙথোংগী অকোয়বদা মতুম মচা অমা পোমথোল্লগা ইনথোল্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বদা পোমথোকপা অদুদা থেংলগা ঈ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইরগা হকচাং চোকথ-ৱান্থবা, থবক শুবা ঙমদবা, পোত্থারগতা লৈনিংবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, চারগসু মচি পোক্তবা, চাকখাও শোকপা, ওনিং ওনিং তৌরগা থবাক শাগৎপা অমদি খৌরিদা অশিনবা কাবা, পুক নাবা, পুক্তা চাকপা শাবা, পুক গ্যেষ্ট্রিক কাবা, খোঙ হাম্বা লোইরকপদা অমাঙথোংদা চিকপা নাবা, পুক য়েকপা থিনবা তৌরগা খোঙ হাম্লিং হাম্লিং তৌরগা লৈলবা, তাং তাং চিকপা, খ্বাঙ, য়াঙলেন নাবা তৌরম্বশিং অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

থাগৎচরিবা : **A. NABACHANDRA**
Khurai

HL-P/5189/21

এন ঐচ পি সী মিলিটেদ
(এ গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া ইন্টরপ্রাইজ)
কোর্পোরেট আইদেন্টিফিকেসন নম্বর (সী আই এন)-এল ৪০১০১ ঐচ আর ১৯৭৫ জি ও আই ০৩২৫৬৪
রেজিষ্টর্দ ওফিস : এন ঐচ পি সী লিমিটেদ, এন ঐচ পি সী ওফিস কমপ্লেক্স, সেক্তর-৩৩, ফরিদবাদ-১২১০০৩ (হরিয়ানা)

এন আই টি নং : ৬৬৯ এন্দ ৬৭০ (০)
ঈ-টেন্দরিং - ৱেব নোটিশ
টেন্দর রিফরেন্স নং : ১. সী দি/লোক/৪(৫৬)/২০১৮/১৭৭৯ তারিখ ১১.০৮.২০১৮ অমসুং ২. সী দি/লোক/৪(৪৫)/২০১৮/১৭৮১ তারিখ ১৬.০৮.২০১৮

১. **"আর দি কিমি ১৯.০০ দগী আর দি কিমি ২৪.৬৭৫ গী মরক্তা লোক্তাক লৈমতাক রোদকী আর/এম"** হায়বা থবকসিগীদমক্তা এন ঐচ পি সী লিমিটেদ, লোক্তাক পৱার ষ্টেসন কোমকৈরাপ, মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা মখাদা ফোঙদোক্লিবা মওংদা ইন্দিয়াদা রেজিষ্টর্দ তৌবা দোমেষ্টিক বিদ্দরশিংদগী- **ওনলাইনদা ইলেক্ট্রোনিক বিদশিং জৌরি। টেন্দর আইদি :** 2018_NHPC_371624_1 (সিষ্টেম জেনেরেটেদ)। **এষ্টিমেটেদ কোষ্ট :** লুপা ৪৫,৭৩,৭৮১/- **চঙগদবা টেন্দর ফীজ:** লুপা ৫৬০। **চঙগদবা বিদ সিক্যুরিটি (ঈ এম দি) :** লুপা ৯১,০০০/-। **দোক্যুমেন্ট দাউনলোদ তৌবা হৌবগী তারিখ অমসুং মতম :** ১৪.০৮.২০১৮ (১০:৩০ এ এম)। **ওনলাইন বিদ সবমিসন ক্লোজিং হৌবগী তারিখ অমসুং মতম :** ০৪.০৯.২০১৮ (০৫:০০ পি এম)। **ওফলাইন সবমিসন ক্লোজিংগী তারিখ অমসুং মতম :** ১১.০৯.২০১৮ (৪.০০ পি এম)। **টেক্নিকেল বিদ (কভর-১) গী ওনলাইন বিদ হাঙবা :** ১৫.০৯.২০১৮ (১১:০০ এ এম)। **এগজিক্যুসনগী মফম :** লোক্তাক পৱার ষ্টেসন, এন ঐচ পি সী লিমিটেদ, কোম-কৈরাপ, মণিপুর-৭৯৫১২৪।

২. **"চোথে থাংমাই পাখংবা লোক্তাক্তা মখল মখা কয়াগী রিপেয়র ৱার্ক্সকীদমক এন ঐচ পি সী লিমিটেদ"** লোক্তাক পৱার ষ্টেসন, কোমকৈরাপ, মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা মখাদা শম্না পল্লিবা মওংদা ইন্দিয়াদা রেজিষ্টর্দ তৌবা দোমেষ্টিক বিদ্দরশিংদগী ওনলাইনদা ইলেক্ট্রোনিক বিদশিং কৌজরি। **টেন্দর আই দি:** 2018_NHPC_372893_1 (সিষ্টেম জেনেরেটেদ)। **এষ্টিমেটেদ কোষ্ট :** লুপা ৩১,৬১,৬৬৮/- **বিদ দোক্যুমেন্টগী মমল :** লুপা ৫৬০/-। **বিদ সিক্যুরিটি :** লুপা ৬৩,০০০/-। **দোক্যুমেন্ট দাউনলোদ তৌবা হৌবগী তারিখ অমসুং মতম :** ১৭.০৮.২০১৮ (০২:৩০ পি এম)। **ওনলাইন বিদ সবমিসনগী ক্লোজিং হৌবগী তারিখ অমসুং মতম :** ০৬.০৯.২০১৮ (৫:০০ পি এম)। **ওফলাইন সবমিসন ক্লোজিংগী তারিখ অমসুং মতম :** ১৩.০৯.২০১৮ (৪:০০ পি এম)। টেক্নিকেল বিদ (কভর -১) গী ওনলাইন বিদ হাঙবা : ১৭.০৯.২০১৮ (১২:০০ পি এম)। **এগজিক্যুসনগী মফম :** লোক্তাক পৱার ষ্টেসন, এন ঐচ পি সী লিমিটেদ, কোম-কৈরাপ, মণিপুর-৭৯৫১২৪।

সেন্ট্রেল পব্লিক প্রোক্যুরমেন্ট (সী পি পি) গী পোর্টেল **https://eprocure.gov.in/eprocure/app.** য়েংবা অমসুং দাউনলোদ তৌবা য়াগনি। সাইট অসি এন ঐচ পি সীগী ৱেবসাইট **www.nhpcindia.com/NewWebsite** কী ঈ-প্রোক্যুরমেন্ট কোর্নরগী খুত্থাংদসু য়েংবা য়াগনি।

মেনেজর (ঈ)
কন্ট্রেক্ট দিপার্টমেন্ট

ইলেক্ট্রিসিটিগী কমপ্লেন্টশিংগীদমক ১৯১২ দাইল তৌ
ইশাগী অমসুং লৈবাক্কী কান্ননবা ইনর্জি সেভ তৌ

HL-B/4806/21